# মীওই পুন্সিদা অঙকপা থৌদোক খরা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৩৯৯

**জিতেন নামৈরাকপম**

**ঙসিদগী** থা অমরোমগী মমাঙদা থেংনখিবা পাউদা এম এল এনা খুপাক্কা থাবিখ্রে হায়বগী পাউচেদা শেংদোক শেংজিন তৌনখি। থোংজু কেন্দ্র অমদি খুরাই কেন্দ্রগী এম এল এনদি খুপাক্কা থাবা লৈখিদে মখোয়বু মিংচৎ থিনবা অরানবা পাউ মীয়ামদা শন্দোকপনি হায়না ফোঙদোরকখি। এম এল এবু য়াবা কাঙবু অমদি য়ানিংদবা কাঙবু হায়না অনী থোকপা মশানা তাবনি। য়ানদবা অনীগী রাজনিতিগী লানদা মুক্নবা, অঙম তান্নরকপা, য়ানরক্তবা, ফুনরকপগী পাউ ওইরম্মী। অঙম তান্নবা হায়বসিদা নোংমৈ শৎনবা, কাপথোক্লবা অমদি খূৎপাক্কা থাবসি য়াম্না কন্না চৎনরক্লি। মীয়াম মমাঙদা মায়দা খূৎপাক্কা থাবা হায়বসি শাথিনা ইকায়বা পীবনি হায়না লৌনৈ। খূৎপাক চাহৌরবা মীদুনসু তুংদা অমুক লমন খুম্নিংবগী শীঙদুনা লৈবসু য়াওনরিবনি। অচৌ অশাংশিংগী মরক্তা খূৎপাক্কা থানবগী ৱারীদা মালেম শিনবা থুংনা ফাওরবা মহাত্মা গান্ধী কাউথোক্লম্বা চুম্লোই। সাউথ অফ্রিকাদা লো প্রেক্টিশ তৌবা ওইনা লৈরুবগী মতাংদা অঙৌবশিংনা ইন্দিয়া মচাশিংবু য়াম্না হন্থনা য়েংবীবগী খুদম ওইনা গান্ধীজীবু ট্রেন ষ্টেসন্দা মমায়দা খূপাক্কা থাবীখিবগী ৱারী কাউবা ঙমদে। খূপাক্কা থারক্লিবদু ইরাল অমা শোয়দনা লৈরমগনি অদুনা শোমদসু অমুক থারকউ হায়না গান্ধীনা মমায় নামদু ওনশিল্লুবদা খূপাক্কা থারিবা মীওইদু ইকায়মনখিদুনা মমায় লুকথখিবগী ৱারীদু কয়াদা অর্থ লৈখ্রবনো! মদুগুম্বা মখলগী ৱারীদু হৌজিক্কী মতম অসিদদি কয়াদা তাইওন্নরবনো। অদুবু করিগী লৈতনি মহাত্মা গান্ধীগী চৎন-কাঙলোনবু পামজবা মীওই লৈদি লৈবজাৎনি। মহাত্মা গান্ধীগী ৱাখল, ফীরেপ, থৌদাং, ফিজেৎ-চাকচা, ৱাঙাঙ-শাঙাঙ য়াম্না পামজবা নুপা অমনা মহাক গান্ধীদা গান্ধীগী ফিরেপ্পুমক লৌবা ওইনা মমায় য়েৎতুদা খূপাক্কা থাজৌ হায়রে। মহাক্না অফ্রিকাদা থোকখিবা গান্ধীগী রোলদুমক লৌগদৌরিবনি। খূপাক্কা থাজরো হায়না মমায়দু লৈশিল্লকপদুদা কিলো মঙাগী নুংথংগুল্লবা খূৎ পানবা জুগালিদগী মিষ্ট্রি কাবা কুইদ্রিবা নুপাদুনা লৈজবী থাদুনা 'শেৎ' লাউনা অমুক্তং শেৎপবু - অস! গান্ধী শাবা নুপাদু নাবনা উংবনি। খাঙবা ঙমদখে নাবনি। মতিং মতিং পোম্বনি। মদৈদি কমদৌগেদা - 'এরা নঙগীসি গান্ধী ফাওবা খাঙবা ঙম্মরোইদা' হায়রম্লগা মাগী কিনজাওদুনা মাইক টাইসনগী খুথিন্দা অমুক্তং শাফু কন্না থিনদৎখিববু অমদু লোংনা তাখি হায়নৈ।

মসিনি হিংবু হিংলবদি জাৎ-জাৎকী ৱারী থেংনৈ হায়বদুনি। মায়দা খূপাক্কা থাবা হায়বসি য়াম্না থাক হন্থহনবা মওংদা ইকায়বা পীবগী থৌওংনি হায়নরগসু মায়সিদা খূপাক্কা কন্না কন্না থাবিয়ু পৈশা পীগে হায়বা মীসু অদুমক মথোরকই। নহা য়াম্না ওইজনিংবা মীওইশিংনা শেল তিংনা তিংনা মায়দা খূপাক্কা থাহল্লি। বেঙ্কোক্তা য়াম্না পাম্না তৌনবা মাসাজ মখল অমনি। মায়দা খূপাক্কা থাবনা অমদি শীকপনা উনশা থোৎতোকহল্লি, মায় খুইবা অমদি তুখোঙ লাওথোকপা ফহল্লি। অনৌ অনৌবা টেক্নিক পুথোক্নরকপসি মতমসিগী চৎনবী ওইরক্লি। শক ফজনবা, লায়না ফনবা জাৎ-জাৎকী স্পা মখলশিং থোরকপসিদা অনৌবা কয়াসু পুথোরকপা য়ারি। লৱায় লেম্ফুদা পার্ট অসিনা তরাতরুক্কুম্বা হঞ্জিন হঞ্জিন সেবা ফংলগদি ব্রেন, মিৎ, নাকোং, নাতোনগী নর্ভ সিষ্টেম ফগৎহল্লি, শক ফজহল্লি, নহা ওইথোকহল্লি কায়দনা তৌখৎনরকপসু কনানা খঙবা। মীয়াম্না শেল তিংনা, মতম মাঙনা, হকচাং ফিট ওইনা থম্নবা অনা অয়েক য়াওদনবা পুন্সি নুংশাংনা হিংনবা হোৎনবমক্তনি। অদুবু খূপাক্কা থাবদা শিখিবা মীসু অদুমক য়াওখি। খুবাক্কা থাবদি চৈনা ফাওই য়াম্না নাবগী থবক্লি। খুবাক চরা অমা চাববুদি নোকপনা হেন্না নুংঙাই। নোকপনা পুন্সি শাংদোকহল্লি হায়নরিবনি। অদুবু নোকপদা শিখিবা মীসু অদুমক য়াওখি। স্কোটিশ অইবা সার থোমাস অরক্কহাট মশামক কুমজা ১৬৬০ দা মথ্বায় তানা হৌনা হৌনা নোক্লম্লগা অদুম নোক্লকখিদ্রে। মিহুন মাঙখি।

মীশি চাদনা শিবসি কনাসু পাম্নবা নত্তে। পোক্লক্লবদি শিবা হৌনৈ। শিনিংই হায়দুনসু ঐ ঐনা শিনিংবা মওংদা শিবা হায়বসি অতাঙবনি। ইথা থাজদবা মওংদা মখল মখলগী মীশিদা চৎখিবা কোঙ্গায়নি। খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ মমাঙ ৪৫৬ বি সিদা গ্রীক্কী অফাওবা দ্রামাটিষ্ট এইস্কাইলস য়াম্না মরম চাদনা শিখিবগী ৱারী লৈরি। হায়রিবা দ্রামাটিষ্ট অসি অতিয়াদগী তারকপা পোৎ অমনা পান্দুনা শোয়দনা শিগনি হায়বা লাইফাওদুমক চুমখি। উমাইবী অমনা মচিন্না চীক্তুনা পাইরগা পুরকপা থেঙ্গু অমা তারকপদা মকোক্তা পাল্লগা শিখি। কনানা খঙগনি, উচেক অদুনা পুরকপা থেঙ্গু অদু থুগায়রগা চানিংবদগী নুমিৎকী মঙালদা লংত্রিক লংবা অতাঙবা মকোক্ত নূং ওইরবোই নীংদুনা থাদরকপা ওইরম্বসু য়াই। ঐখোয়গী মণিপুর অসিদা এক্সিদেন্ট থোকপদা, ফুন-চৈনবা, কাপ্নবা, পোকখায়বদা শিবা মীশি অদুদি নত্তে। কয়াদা নাতৈ চাদবা খূৎশিনো। শিবু শিয়ু হায়রবদি উপায় লৈবজাৎ নত্তে, য়োংনা চীকপদসু শি। অলেকজেন্দর দ গ্রেটতু নত্তবা কুমজা ১৯২০ গী গ্রীক্কী অলেকজেন্দর নিংথৌ মহাক্না য়োকচবা য়োং অমনা চীকপদগী শিখি। ৱাংখৈ কেন্দ্রগী এম এল এ অমনা নুংশিনা য়োকচরম্বা য়োং অমা নাম্থোকখিদুনা লাঙ্গোললোমদা অঙাং অমা য়োংদুনা এটেক তৌবদা লৈখিদবগী ৱারী অমসু লৈখি মণিপুরদা। অপীকপা মীনা মীশি চাদনা শিবদি ৱালাউনদে। অচৌবা, মীয়াম্না শকখঙনবা মীনা নাতৈ চাদবা মওংদা শিবসিনি লৈবাক পুংজাওথিল্লিবসি। ৱেলসকী নিংথৌ মচা ফ্রেদরিক কুমজা ১৭৫১ দা ক্রিকেট বোলনা শাফু কন্না পানবদগী শিখি। শিবগী ৱাবুদি ঐখোয় শ্বায়দা ফুটবোল টুর্নামেন্ট শান্নরিঙৈদা বোলনা পান্দুনা শিখিবসু য়াওখ্রে। তৌবদবু মীশি চাদবদুনি ঙক্লরিবসি। ফ্রাঞ্চকী সিংহাসন কাগদবগী ঙাইদুনা লৈরিবা নিংথৌমচা ফিল্লিপসু কুমজা ১১৩১ দা শগোল থৌদুনা লাকপদা ওক অমদা থেংজিল্লুবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিখি। বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরম্বা হস্কিন কুমজা ১৮৩০ দা ইহান হানবা ওইনা ট্রেন চেলহনবগী ইনোগুরেশন তৌবা নুমিৎতা ট্রেননা তক্তুনা শিখি।

মখা তারকপদা, শিবা চঙবগী লংদাইসিদা অঙক অঙকপা ৱারীশিং লোইবা নাইবা লৈতে। ব্রজ তাবদা শিবা হায়বসিসু অদুম্মক থেংনদুনা লাক্লবনি। মী, শা-ঙা ব্রজ তারকপদা শিবগী পাউদা অঙকপা অমা ওইনা কুমজা ১৯১৮ গী জুন তারিখ ২২ দা য়ুটাহগী ৱাসেটচ নেসনল ফোরেষ্টতা অমুক্তদা য়াও ৫০৪ পুল্লপ শিখি। অমা অনীগী ৱা নৎত্রে য়ামখ্রবা য়াওনি ব্রজ অমুকখক তারকপদা হাৎতোকপীখিবদু। অদুগা শিবু শিরুরনু হায়রগদি উপায় লৈবজাৎ নত্তে। লান্দা য়েক্লবা তূম্না হাৎলগে খন্ন থাদখিবা বোম, এল্লাইশিংনা সেকেন্দ ৱর্ল্ড ৱারদা বার্লিন সিটিদা থাদখিবা বোমনা মী হাৎপগী মহুৎতা সিটিদুগী জুদা থম্বা শামু অমা ওইনা হাৎতোকপীখি। অমরোমদা ফ্লোরিদাগী কেপ কেনাভেরেলদগী অমেরিকান রোকেট অমা কাপখৎখ্রগা ক্যুবাদা তারক্তুনা কায়বদা ষণবী অমা শিখি। ষণবী অদু ক্যুবান গভর্ণরমেন্টনা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মীয়াম চঙদুনা অরোয়বা মথৌ মঙম পাঙথোকখি। লোয়নন্না ভিক্তিম ওইরবা ষণবী অদুদা 'ইম্পরিয়েলিষ্ট এগ্রেসন' হায়দুনা ওফিসিয়ল ওইনা লাউথোকখি।

মীওই ওইরো নৎত্রগা শাবু ওইরো মখল মথেলগী থৌদোক্না য়োল্লগা চৎনরিবমক্তনি। পোকপদগী শিবফাওবগী মরক্তা থেংনগদৌরিবা থৌদোকশিং লীলা পরিং অমগী তাঙ্কক তাঙ্ককী কাউঙল্লরোইদৌবা থৌদোকশিংগুম্বনি। মীওই মপোক্তা পোক্লগদি হিংলিঙৈ পুন্সিগী মতেক খরসিদা মশক থোকপা থবক খরদি পাঙথোক্লম্বা হায়বসি তঙায়ফদবা অমনি। মালেমসিদা পোক্লম্লগা মিংচৎকী উরোং য়ুংলম্লগা শিখিবা মহাপুরুষ কয়াগী পুন্সি ৱারী ঐখোয়না ইতিহাস ওইনা নৈনরি। অফাওবা মীওইশিংগী পুন্সি ৱারীদি দুমস দে লাক্ত্রিবমখৈদি লেংদনা অদুমক লৈখিগনি। মীওইবগী মপোক্তা পোক্লগা লৈবাক মীয়ামগী ওইবা কান্নবা থবক তৌরমদ্রগদি কান্নদবা মপোক্লি হায়নরি। মীওই বিল্লিয়ন বিল্লিয়নগী শাইদাংফম ওইরিবা মালেম অসিদা অফাওবা নিংথৌরেল, লুচিংবা লৈঙাকপা, সাইন্টিষ্ট, অইবা, আর্টিষ্ট অমদি অফাওবা শান্নরোয়নচিংবা কয়া মশীং খঙদনা পোকখ্রবনি। মালেম অসিদা থৱায় পানবশিংনা হেক লৈবা হৌরকপদগী ঙসি ফাওবসিদা মশীং থীঙমদ্রবা মীওই কয়া অমসু শিখ্রে। মোর্দন এজগী মতম অসিদসু মণিপুরদা অন নেচরেল দেথ নৎত্রগা আর্ম কনফ্লিক্টনচিংবদা মীওই কয়া অমা তুমখ্রে। অদুবু হন্দক মরক অসি লমদম অসিদা থৌরি য়ান্দুনা শিবা অমদি হু থক্তুনা শিবগী নুংঙাইত্রবা নীংবা কায়নীংঙাই ওইরবা পাউশিংসু তারক্লি। নুংশি চাংয়েং ওইগদৌরিব্রা নৎত্রগা করম্বা ৱাখলদা ওইগদৌরিবনো হংনখিবা নুপীমচা অমনা হু থক্তুনা শিখ্রে হায়বা পাউ অমা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা তাখি। ৱাখল থেনমনবদগী সিনেমা, লিলা, দ্রামাগী মতৌ তম্লুরিব্রা নৎত্রগা করি ৱাখলদা থোকহন্নিংদবা থৌদোক্তু থোকখিবনো। মখা তারকপদা অসিগুম্বা থৌদোক থোকহন্দনবা হৌগৎলক্লিবা ৱাখল ফাথবা ঙমদ্রিবা নহাশিংবু নিংথিনা ৱাখল তানবা পাউতাক পীবা মথৌ তারি। অতোপ্পা পাউ অমদনা কাঞ্চিপুরগী স্কুল অমদা তম্বা নুপামচা অমা স্কুল বিল্ডিং মনুংদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বগী পাউদুদা করম্বা মমা মপানা পেল্লমগনি। মহে তম্নবা, মতিক চাবা মী অমা ওইনবগী পান্দমদা স্কুলগী বোর্দিংদা থমখিবা মচানা শিরগা হল্লকপদা কনানবু নুংঙাইগনি। অমরোমদা অমুক স্কুল ওথোরিটিগী ওইনসু স্কুলদা তম্লিবা মহৈরোয় অমবু মরম চাদনা মওং তাদনা শিরম্বদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইতবা ফাওরমগনি। ফাওফমসু থোকই। স্কুলগী মিংচৎ পুরকহন্নবগী পান্দমদা মহে তমহন্নরিবমক্তনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু অসিগুম্বা পামদবা থৌদোকশিংসি তুংদা থোকহন্দনবা সিভিল সোসাইটি ক্লব, ওর্গেনাইজেশন, ওজা, গুরু, অহল-লমন, মমা-মপাশিংনা সুইসাইদ তৌবগী মরমদা অফ-ফত্ত নৈনহনবগী তাঞ্জা অদু থীন্থমল্লে। বর্ম্মামক্না পোকঙমদ্রবা মীওই মপোক্লি হায়বগী মতাংসিদা কুপ্না নৈনমিন্নবা তঙাইফদবা ওইরক্লে।

# খোরিরোল চাউখৎহনবদা পাউ-চেগী থৌদাংগী মতাংদা সিম্পোজিয়ম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে


সোইবমচা ইন্দ্রকুমার


এ ইবোমচা শর্ম্মা


ডা. কে শান্তিবালা দেবী


প্রো. যোধ চন্দ্র সনসম


এল শরতচন্দ্র শর্ম্মা


অঞ্জুলিকা সামোম

সাহিত্য একাদেমী অমদি হুইয়েন লানপাউনা শীন্দুনা ঙসি হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি হোলদা, মণিপুরী লিটরেচর চাউখৎহনবদা পাউ-চেনা লৌরিবা থৌদাং হায়বা হিরমদা সিম্পোজিয়ম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রে।

সেসন অনী থোক্না খন্ন-নৈনখিবা সিম্পোজিয়মদা হান্নগী জোইন্ট দিরেক্টর ন্যুজ ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফাল, বি বি শর্ম্মনা মোদরেটর ওইখি। সেসন অনীদা রিসোর্স পার্সন ৩/৩ না তোঙান-তোঙানবা টোপিকশিংদা ৱা ঙাঙখি।

হুইয়েন লানপাউ পাউ-চেগী কলমনিষ্টসু ওইরিবা অইবা সোইবমচা ইন্দ্রকুমারনা রোল ওফ মণিপুরী দেলিজ ইন দ ক্রিটিকেল ইভালুয়েসন ওফ লিটরেচর হায়বা হিরমদা চে পাথোক্লদুনা হায়খি, নৈনেনবগীদমক মমাঙদা থল্লিবা ৱাফম 'রোল ওফ মণিপুরী দেলিজ ইন দ ক্রিটিকেল ইভালুয়েসন ওফ লিতরেচর'- 'নুংতিগী ফোঙবা মণিপুরী পাউচেশিংনা খোরিরোন (সাহিত্য) গী নৈননিংঙাই ওইবা মশক লেপ্পদা লৌরিবা থৌদাং' হায়বসিনি। হীরম অসি নৈনবদা, নৈন ৱারোল থমদ্রিঙৈ, ৱাফম অনীখক হান্না খঙমিন্নবা চঙই। অহানবদা, পাউচে (ন্যুজপেপর) হায়বসি করিনো? চুম্নগী, জেনরেল ওইবা ন্যুজপেপরগী মশক নত্তবা, মণিপুরদা ফোঙবা মণিপুরী ন্যুজপেপর। মণিপুরী হায়রগা পাক্না শন্না কোনশিল্লিবা ত্রাইবেল দাইলেক্ট ময়ামসিদা ফোংলিবা পাউচেশিংদু নত্তে, মীতৈলোনগী পাউচে ময়ামসিনি। অনীশুবদা, সাহিত্য নৎত্রগা খোরিরোন (লিতরেচর) হায়বসিনা করিনো? অনী অসি অমত্তরা? নৎত্রগা মান্নবা মশক করিনো? করম্না মরী লৈনবনো? পাউচেশিংদা ইরিবা পাউশিংদু খোরিলোন (লিটরেচর) গী মনুং চনবরা? অসিনচিংবা ৱাহংশিং মথং মথং মখা শমথরকই, ৱাগী ৱাখুন থিবদা।

পাউচে হায়বসি করিনো? করম্বা মতমদা থোক্লকখি? ইন্দিয়াদা কৈদৌঙৈ য়ৌরকখি? মণিপুরগী অহানবা পাউচে কৈদৌঙৈ কনানা পুথোকখি হায়বনচিংবা টেক্নিকেল ওইবা ৱাফমশিং, হীরমসিগী মনুং চন্দবনা, চেরোলসিনা কোনশিনজররোই। অদুবু মাগী মশক তাক্লবা লিতরেচর হায়বসি করিনো - চাউরাকপা অমদি খঙদবা য়ারোই। সাহিত্য, লিটরেচর, খোরিলোন- পাক চাউখ্রবা হীরমনি। ৱাহে অমা অনীনা মশক খঙনবা শক্তাকপা ওইথোক্তে। অদুবু, খ্বাইদগী শন্বা ৱাহৈদা লিতরেচর হায়বসি 'আর্ট ওফ রিত্তন ৱর্দস' (ইথোক্লবা ৱাহৈগী কলা) অসুম্না ৱাহন পীনৈ। অদুবু ইথোক্লবা ৱাহৈ পরেং খুদিংমক সাহিত্যদি নত্তে। ৱাহৈ হায়বসি মী অমগা অমগা হায়নীংবা, তম্নিংবা পাউ অমা হায়নবা শিজিন্নরিবা লোন অদুনি। লোন অসি অমগা অমগা ঙাঙনবা মতমদা/ৱারী শানবা মতমদা লোন অদু সাহিত্য ওইদে। ঙাঙনরিবা/ ঙাঙনখিবা লোন অদু ৱাহৈনা মহুৎ শিন্দুনা অতোপ্পা কয়ানসু খঙবা/পাবা ঙম্নবা ইথোক্লবা মতমদা সাহিত্য ওইরকই। অসুম্না ইথোক্লবা ৱাহৈশিংদু সাহিত্য ওইহন্নবগীদমক ৱাহৈশিংদুদা লোন'দুগী ফজবা মশক্কী মমি নীংথিনা তাহনগদবনি, অপাবশিংগী পূক্নিং অমদি ৱাখলদা ইথিল পীবা ঙমগদবনি, অতোপ্পা তাইবং অমদা হুমদুনা পুবা ঙমগদবনি। ইবা পাবা হৈরবা মী খুদিংমক লোন'দুদা হায়নীংবা ৱা অমা কন্নাগুম্বদা তম্নবা ইথোকপদি ঙম্বা য়াই। অদুবু মহাক্না ইরিবদু সাহিত্যনি হায়বা য়ারোই। ৱাহৈ খনবা অমদি শেম্বা হৈবগী থোইদোকপা গুন অমগী মথক্তা, ফজবা লৈ পরেং অমা শেম্বগী মথং মনাও শেম্বা হৈবগুম ৱাহৈগী মথং মনাও শেম্বা হৈবগী গুন অমসু চঙই সাহিত্য ওইহন্নবগীদমক্তা। অসুম্না ফজনা ইথোক্লবা ৱাহৈশিং সাহিত্য শেম্লিবা, অতোপ্পা মী কয়াদসু পাহন্দুনা খঙহনখিবা হায়বদুনা পান্দমনি। অনৌবা মীরোল অসিগী অনৌবা ৱাখল পরিংদা, ঙসিদি লিটরেচর হায়বসিগী শক্তাক-ৱারোলসু হোংলক্লে। পাক্না শন্না কোনশিল্লক্লে। চীন্থাঙ ৱারী ওইনা লৈবা, অইবা ওইনদি লৈতবা ৱারী শৈরেং ঈশৈশিংসু লিতরেচরগী ঙমখৈনুংদা কোনশিল্লক্লে, 'ওরেল লিটরেচর' হায়বা ৱাহৈ ৱাপা অমসু শেম্লক্লে। রিত্তন লিটরেচর'দা অদুক হাক্না পুক্কে চোনবা ওইদ্রবসু, ওরেল লিটরেচরদদি - মণিপুর, মালেমগী মনুংদা খ্বাইদগী ঈনাক খুনবা লম অমবু ওইরমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অহানবা সেসনদা, ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী ন্যুজ এদিটর হেদ ডা. এ ইবোমচা শর্ম্মনা রোল ওফ ন্যুজপেপর ইন দ দিভলপমেন্ট ওফ মণিপুরী লিটরেচর হায়বা হিরমদা পেপর পাথোক্লদুনা হায়খি, মণিপুরী লোলদা ফোঙবা জর্নেল *মৈতৈ লৈমা* অসি আসামগী কছারদগী কুমজা ১৯১৭-১৮ দা খুৎনা ইরগা ফোঙবা হৌখি। জননেতা হিজম ইরাবতনা খুৎনা ইদুনা মৈতৈ চনু কৌবা জর্নেল ফোঙলকখি। মণিপুরী থাগী জর্নেল ইম্ফালদা ফোঙবা হৌখিবসি য়াকাইরোলনি। জর্নেল অসি ডা. নিংথৌজম লৈরেননা এদিট তৌদুনা ফোঙখি। কুমজা ১৯৩০ গী ওক্টোবরদা অহানবা ইস্যু পুথোকখি। জর্নেল অসিদা লিটরেরি আইটেম, হেল্‌থ, স্পিরিচুয়েল কম্মেন্ট, হিষ্টোরিকেল অমদি সোসল ইস্যু কয়া য়াওখি। দৈনিক মণিপুর পত্রিকা কৌবা পাউচে অমসু ফোঙবা হৌরকখি হায়নসু ফোঙদোকখি।

সিম্পোজিয়ম অদুদা অঙাংগী সাহিত্য অমসুং মণিপুরী পাউ-চে হায়বা হিরমদা চে পাথোক্লদুনা অইবী কোইজম শান্তিবালা দেবীনা হায়খি, লৈবাক খুন্নাই পান্দুনা লৈরিবা লৈবাক অদুনা খ্বাইদগী মরুওইরিবসি লৈবাকমপু অমসুং মীয়ামগা পাউ ফাওদোক্লদুনা অফবা মরী অমা শাগৎপা ঙম্বসিনি। মসি ওইরক্লবগী পান্থৈদি পাউচেনা ওইরকই। মরমসিনা পাউচে য়াওদবা লৈঙাক্তি মনিং হন্দুনা চৎকনি হায়বসি য়াম্না চুম্লবা ৱাফমনি। পাউচেনা নাকল অনীমক্কী হায়বদি লৈঙাক মপু অমসুং প্রজা সেক্সন অনীমক্কী ওইবা অনীংবা অপান্বা ফোঙদোকফম প্লেটফোর্ম অমনি। গভর্ণমেন্টগী মায়কৈদগীসু ঈ-পাউ কয়া লেপ্পুনা পীনবা হোৎনবা অদুগা মীয়ামগীসু অনীংবা অপান্বা লোয়নন্না য়ানিংদবা পামদবা কয়াগীসু মোত ফোঙদোকফম ওইরি। অমরোমদা খঙনিংবা খঙননবা হোৎনবা লীচৎ অসি মীওইবনা পোকপদগী লোয়নরক্লবা লমচৎ অমনি। অসিগুম্বা লীচৎ অসিগা লোয়নন্না লৈরিবা মীওইবনা শাংলবা পুৱারী অমা শাগোন্নদুনা চৎলকপা মতমসিদা অনৌ অনৌবা কাঙলোন কয়া মথন্তা শেমগৎলক্তুনা মীওইবগী পুৱারীনা অহিংবা শক্লোন লৌদুনা লৈরি। পুৱারীগী শক্লোন অসি নৈননবা মশক খঙদোক্লবা হোৎনবা মতমদা পাউচেগী ওল্লক্লিবা তাঙ্কক অদু থিজিল্লুদবা য়ারক্তে। অসুম্না মণিপুরগী পাউচেদা অঙাংশিংগীদমক করি করম্বা মীৎয়েং থমদুনা চঙশিল্লিবগে হায়বা য়েংলুবা, মায়কৈ অসোমদা মরুওইনা সাহিত্যগী লমদা মখোয়গীদমক করি থৌরাং লৌখৎলিবগে হায়বসিনা চে অসিগী মরুওইবা পান্দমনি। মরুওইনা লৈঙাক্লোনগা মরী লৈননা পাউ ফংলিবসি নুংতিগী ওইনা ফোঙবা পাউচেনা অয়াম্বনি।

মীপুম খুদিংমক্না নীংতম্না মোত পীবা অমসুং ফোঙদোকপগী হক অসি য়াম্না ঙন্না এথেনসগী ৱাঙাঙলোয় সোক্রেটিসনা (খৃষ্টগী মমাঙ ৪৩৬-৩৮৬) হৌদোক্লম্লবনি হায়না লৌনরি। ইন্দিয়াগী লৈঙাক সাসন্না নীংতম্লবা মতুং দিমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরবা মতুং পাউচেগী অৱাংবা থাক অমদা অসুম অসুম কাখৎপা হৌরকই। মণিপুরগী ওইনা য়েংলুবা মতমদা অঙনবা মতমদগী হৌনা শা-লানগী মতমদা কংলা য়াইবুঙ থিনবগী চৎনবী, মৈহুম মোরোক চৎতুনা পাউ পীবা, শগোল পাউজেল অমদি কৈথেলগুম্বা মফমদা নিংথৌগী, অঙন্বগী য়াথং চেয়ানবগী চৎনবীনচিংবা থেংনরি। মতুং তারকপদা বৃটিশকী সাসন লাকপদগী নোংচুপকী মহে তম্বগী চৎনবী লৈরকপদগী ঈ-পাউ চৎনবীগী মওং অসি হৌজিক্কী চৎনরিবা মওং অসিদা তপ্পা তপ্পা লৈশিল্লকপা হৌরকই। মীপুম তীংনা লাইরিক ময়েক চৎলকপদগী পাউচেগী কান্নবা খঙবা হৌরকখি। কুমজা ১৮৮৫ দা বৃটিশনা মণিপুরদা জোনষ্টোন স্কুল লিংখৎলকপা, মসিগা লোয়নন্না কুমজা ১৯১০ দা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট লিংখৎলকপা অমদি কুমজা ১৯২৪ দা মণিপুরী লোলবু ভানিকুলরগী রিকোগনাইজ তৌখিবা অসিনা লোল অসিগী থাক চাউখৎলকপগী থাক লাকপগা লোয়নন্না জর্নেলিজমগী ঈহৌ অসিসু শাগৎপা হৌরকখি। বৃটিশশিংনা মণিপুরদা লৈবাক ঙাক্লোনগী খুদোংচাবা য়েংদুনা অপীকপা ছাপাখানা অমা কুমজা ১৯১০ দা লিংখৎখি। অদুবু মীয়ামগী ওইবা ছাপা তৌবগী খুদোংচাবা ফংখিবদি কুমজা ১৯১৮-১৯ দা ষ্টেট প্রিন্টিং প্রেস লিংখৎলকপদগী ওইখি। মথংদা কুমজা ১৯৩০ দা চুড়াচান্দপুর প্রিন্টিং প্রেস কৌবা প্রাইভেট প্রেস অমা পণ্ডিত অতোম্বা বিদ্যারত্ননা লিংখৎলকপদগী অনৌবা পাউচেগী পুৱারী অমা ইবা হৌখি।

কুমজা ১৯১৪-১৬ ফাওবগী মতমদা মৈতৈ লৈমা কৌবা চেফোঙ অমা খুৎনা ইদুনা মপান মণিপুরদগী পুথোকপা হৌরকপা অসিনা মণিপুরগী লোলগী জর্নেলিজমগী মাইখুম অমা হাংদোকপা হৌরকখি। কুমজা ১৯২২ দা হিজম ইরাবতনা পুথোকখিবা মৈতৈ চনু কৌবা চেফোঙ অমা খুৎনা ইদুনা ফোঙবা অহানবা মণিপুরী চেফোঙ ওইখি। মতুং তারকপদা লান মমাঙ ফাওবদা সাহিত্যগা মরী লৈনবা চেফোঙ কয়া মথং মথং পুথোক্লরকখি। খরদং পঞ্জরবদা, য়াকায়রোল (১৯৩০), ললিত মণিপুরী পত্রিকা (১৯৩৩), সাহিত্য পরিষদ পত্রিকা (১৯৩৭), মণিপুর মতম (১৯৩৭), তরুন মণিপুর (১৯৩৮), অসিনচিংবনি। পুম্নমক অসিনা লোল অমসুং সাহিত্যদা হেন্না মীৎয়েং নকশিনবা নুংতিগী ফোঙবা পাউচেদি কুমজা ১৯৩৩ দা পুথোরকপা দৈনিক মণিপুর পত্রিকা অসিনা ওইখি। মণিপুরীদা নত্তনা আসাম পুম্বগী ওইনসু পাউচে অসিনা অহানবা ওইখি। মণিপুরদা রাজনিতিগী ঈহৌ কনখৎলকপগা লোয়নন্না রাজনিতি দলশিংগী ওইবা নীতি, অনীংবা অপান্বা ফোঙদোকফম ওইবা পাউচে কয়াসু ফোঙনরকখি, কোংগ্রেস পার্টিগী সীমান্ত পত্রিকা (১৯৫৭), কম্ম্যুনিষ্ট পার্টিগী খোল্লাও (১৯৬২), প্রজাতন্ত্র (১৯৪৬), হুইয়েন লানপাউ (১৯৭৮), ঈহৌ (১৯৭৩), চীংতম (১৯৭৫), পোক্লফম (১৯৭৫), সনালৈবাক (১৯৭৩), অসিনচিংবনি। অসিগুম্বা নুংতিগী পুথোকপা পাউচেশিং অসি লেপখিবা কয়াসু য়াওরকই। হৌজিক ফাওবদা ফংলিবা মরুওইবা মণিপুরী পাউচেশিংদি, ঈচেল এক্সপ্রেস, হুইয়েন লানপাউ, ইরৈবাক, নহারোলগী থৌদাং, পোক্লফম, সনালৈবাক, সঙাই এক্সপ্রেস অমদি নুংথিলদা ফোঙবা পাউচেদা কংলা পাউ, কংলৈবাক্কী মৈরা অসিনি। অসিগুম্বা পাউচেশিং অসিদা ঈ-পাউদা নত্তনা থম্মোয়গী মপাউ পুবা খোরিরোল (সাহিত্য) কাখল নত্তনা মখল মথেল নাইবা পাউগী শক্তম ওইরকই। মসিগী মনুংদা অমুকসু অঙাংশিংগী লাতম থমদুনা তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা মরোলশিংবু শেমগৎপগী তঙাইফদবা অদু হৌজিক্কী মীরোলনা খঙনবা হৌরক্লে। পাউচে অমদা য়াওরিবা ন্যুজ, আর্টিকল অমসুং এদভর্টিজমেন্ট হায়বসিগী মনুংদা অঙাংগী সাহিত্য কলম অসি আর্টিকল (অশাংবা ৱারেং) অসিদা থম্না য়াই হায়নসু মখা তাখি।

খোরিরোল চাউখৎনবা মায়কৈদা মণিপুরী নুংতি পাউচেগী শকলোল হায়বা হিরমদা চে পাথোক্লদুনা প্রোফেসার জোধ চন্দ্র সনসমনা হায়খি, খোরিরোলনা শুমাঙ কুম্মৈ নৎত্রগা ফম্পাক কুম্মৈ নৎত্রগা ফীজঙ-মমি কুম্মৈ ওইবকান্দা, পাউচেনা কুম্মৈদুবু য়েংলিবা মমাঙ পরেংদা ঙাম্থোইনা ফল্লিবা কনাগুম্বা অমগুম্বনি। পাউচেনা অরুবা থৌদাং অমসু লৌই; তুংদা পাউচেনা হায়রক্কদৌরিবা 'কুম্মৈদু য়েংখিবা মীয়াম্না হায়নখি, "য়াই, নৎত্রগা ফৈ ময়ায় ওইরপ্পা ফৈ, য়াম্না ফৈ, এ! হেন্না -থোইনা ফজবা কুম্মৈনি' নৎত্রগা 'কুম্মৈ ওইবদা মতিক চাদে' হায়নখি" অসিনচিংবা। অসি হায়বা ঙম্ননবা কুম্মৈদুবু কুপ্না মুন্না য়েংলিবনি তারিবনি। পাউচেদা ইরিবা মীশিংনা নন-ক্রিয়েটিব নন-ফিক্সন রাইটরনি; অদুগা খোরিরোলগী অইবশিংনা ক্রিয়েটিব ওইবগী মচাক খরদা ওইরবসু য়াওবা ফিক্সন রাইটরনি। মসিসু হৌজিক চপ চানা অচুম্বমক্লি হায়বা য়ারক্তে; মসিগী মরম খরা কোন্না মতাং চানা ঐ অমুক পঞ্জরক্কে।

পাউচেগা খোরিরোলগা য়াম্না নক্লবা মরী অমদি অদুম লৈনদুনা লাকই; হেন্না চৎশিন্নরকপদি ১৯ শুবা চহীচাদা ন্যুয়োর্কতা পেনীনা পুথোক্লকখিবা পেন্নী পেপর হায়বা অদুদ্গীনি হায়বা য়াই; লোরাংনা হায়, ১৯ শুবা চহীচাদা পাউচেসিদা তৎতনা লেপ্পুনা য়াওরকপা শৈরেংশিং অমসুং ফিক্সন রাইটিংগী শাফুদা শৈরেংবা অমদি অইবশিংনা লিটরেচর অমসুং মাগী থোঙহৌ-খোঙচৎকা মরী লৈননা ফোঙদোক্লরকপা মতীং লৈবা কন্সেপ্তশিংনা, অনৌবা ফজবা মখোঙ চেৎপা অমেরিকান কলচর অমা শাগৎপা ঙমখি। অশেংবদি, মতমদুদা পাউচে অসিনা শৈরেং তৎতনা হাপ্পকপা, লিটরেচরদা শরুক য়ারকপা, থৱায় য়াওশিল্লকপা, অসিনা অমেরিকান খোরিরোল তাইবঙ্গী থোঙ হাংদোকপগী শোজৈমকসু ওইখিবনি।

মসিগী আ মমাঙদা লন্দনদা কুমজা ১৬৪৪ দা জোন মিলতন্না গেজেতকুম্বা ফোঙবা মাগী এরিওপেগিতিকা কৌবা চেফোঙদা দ আইদিয়েল ওফ দ ফ্রীদম ওফ প্রেস হায়না থোনবা খুৎই অমদা ফিক্সনগী নিংশা মহোন অমগা লোয়নন্না য়াম্না ফজবা ৱাহৈগী মহায় অমসুং খোন্থোক্না লোয়নন্না ইখি। ১৭ শুবা চহীচাগী অহানবা তংখায়দা য়াম্না মমিং লৈখিবা 'পেরেদাইস লোষ্ট' ইখিবা জোন মিলতনসু পাউচেগী থবক তৌরম্মী হায়বসি চে অসিনা অদুম তাক্লবনি। মতমদুদি পাউচেসি থা/থাগী নৎত্রগা চয়োলগী ওইনদমক ফোঙবা হৌনরকপগী মতমনি। মালেমদা মায় পাক্না খ্বাইদগী অহানবা নুংতি ওইনা পুথোকখিবা চেপাউদি কুমজা ১৭০২ দা লন্দনদা পুথোকখিবা 'দ দেইলি কোউরান্ত' হায়বদুনি হায়রি।

চুম্নগী হিংবগী লান থেংনবগীনি খঙদে, মশাগী পুন্সিগী খোঙচৎ অমা শেমগৎচরকপগীনি খঙদে, মশানা পামজরুবগীনি খঙদে, নৎত্রগা অরানববু অচুম্বদা পুরক্কে খল্লুবগীনি খঙদে মালেমগী ফাওর ফাওরবা অইবা, শৈরেংবা কয়া অইবা ওইদ্রিঙৈ অমসুং অইবা ওইরবা মতুং পাউচেগী থবক্তা চেন্নখিবা, হৌজিক হৌজিকসু চেন্নদুনা হিংলিবা অইবা শৈরেংবশিংগী মশিং লাকঙমদনা লৈ।

অঙনবা মতমদা অমেরিকান ফেমিনিষ্ট অমসুং লিটরেরি ক্রিটিক অমা ওইনা চাউনা মমিং কনখিবা মারগরেত ফুল্লর (১৮১০-১৮৫০) হান্না বিভ্যুয়র অমসুং ইনজষ্টিসকী মায়োক্তা ইনভেষ্টিগেটিং রিপোর্টর ওইরম্মী। মহাক্কী লাইরিক 'ৱিমেন ইন দ নাইন্তিন্থ ছেঞ্চুরী (১৮৪৫)' য়ু এস এদা খ্বাইদগী অহানবা মঙম চেল্লবা অচৌবা ফেমিনিষ্ট লাইরিক অমা ওইখি। কুমজা ১৮৪৪ দা ন্যুয়োর্ক ত্রিব্যুনগী ষ্টাফ ওইনা চঙখি। মদুগী মমাঙদা মীরল্লেনগী ৱাংমদা লৈবা তাইবঙগী মনুং ৱাখল নৈনবা ফোঙখিবা 'দ দাইয়েল' কৌবা চেফোঙগী এদিটর ওইখি।

অঙনবা মতমগী চিলদ্রেন'স লিটরেচরদা অখন্নবা লাইরিক অমা ওইখিবা 'দেবিদ কম্পরফিল্ড' গী অইবা চার্লস দিক্কনস কুমজা ১৯৩০ দগী হৌরগা চহী তরামুক লন্দনগী মোর্নিং ক্রোনিকল অমসুং এবনিং ক্রোনিকলগী রিপোর্টর ওইরম্মী। মহাক্কী খুৎই-লাকইদা মহাক্কী অফাওবা নোবেলশিংদা শীজিন্নরকপা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া মহাক্না রিপোর্টর ওইরিঙৈদগী অদুম শীজিন্নবা হৌখ্রবনি। কুমজা ১৮৪৬ তা লন্দনগী দ দেইলি ন্যুজ হায়বা নুংতি পাউচে অদুসু মহাক্না হৌদোকখিবনি, পাউচেদুগী এদিটরসু মহাক্না ওইখি হায়নসু মখা তাখি।

সিম্পোজিয়ম অদুদা ট্রেন্দ ওফ মণিপুরী দেলিজ হায়বা হিরমদা পেপর পাথোক্লদুনা পোলিটিকেল এনালিষ্ট এল শরতচন্দ্র শর্ম্মনা হায়খি, নুংতিগী থোকপা থৌদোক-ৱাথোক, ঈ-পাউ, মীয়ামগী মোত, ৱারেং-শৈরেং, শান্ন-খোৎনবা অসিনচিংবা মখল মখাগী হিরমদা ইবশিং প্রেসকী খুত্থাংদা মীয়ামদা য়ৌহনবগী থৌদাং অসি পাউচেশিংনা লৌই। মসি প্রোপেগন্দাগী অচৌবা পান্বে অমা ওইনসু শীজিন্নৈ। পাউচেশিংনা সমাজগী, রাজনিতিগী অমসুং কলা-সংস্কৃতিনচিংবগী শকয়েং-মিংশেল ওইদুনা কান্নবা পীবা ঙম্মী। মতমগী হোংলক্লিবা অওনবশিং অদুগা ইরোয়নন্না পাউচেশিংগী মায়ওন্দসু অনৌবা মওং হোংলকই।

মালেমগী ওইনা রোমগী অরিবা মতমদা খুৎইনা পাউচে পুথোক্লম্মী। ছাপা তৌদুনা ফোঙবসি তরাতরেৎশুবা চহীচাগী অঙনবা মতমদা জর্মনি, ইটলি অমসুং নেদরলেন্দতা ফোঙবা হৌই। ইংগ্রেজিগী অহানবা পাউচে দ দেইলি কৌরেন্ট (১৭০২-৩৫)নি অদুগা য়ু এসতা তরামাপনশুবা চহীচাদা ন্যুয়োর্ক টাইমস (১৮৫১) ফোঙই।

মণিপুরদসু ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইদ্রিঙৈ, বৃটিশকী লৈঙাক মখাদা নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা পাউচে ফোঙবগী য়াওল অমা লাকখি। মহারাজ চূড়াচান্দ অমসুং মহারাজ বোধচন্দ্রগী মতম অমসুং মণিপুরনা নিংতম্লবা মতুংদসু পাউচেশিং লেপ্পুনা ফোঙনরকই। মণিপুরী লোলদা অহানবা ওইনা ছাপা তৌদুনা ফোঙবসি 'দৈনিক মণিপুর পত্রিকা' (১৯৩২ গী জুলাই ৬) নি। চেফোঙ অসিগী মমিং থাবদা মৈতৈ ময়েকসু য়াওনা থারম্মী। নুংতিগী চেফোঙ 'সন্ধ্যাগী ভাগ্যবতী পত্রিকা (১৯৪৭)' সু পুথোক্লম্মী। লমদম অসিগী মরৈবাক নীংবা, নিংতম্বা পান্বা, লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওইশিংনা মশাগী কৎথোকপগা লোয়ননামখল কয়াগী চেফোঙ পুথোক্লুবগী থৌদাং অদু লৌবীরম্মী।

সিম্বোজিয়ম অদুদা, মণিপুরী দেলিজ এন্দ ৱিমেন রাইটর হায়বা হিরমদা চে পাথোক্লদুনা অইবী টি ঐচ অঞ্জুলিকা সামোমনা হায়খি, জর্নেলিজমদদি থৌদোক-ৱাথোক অমদি হিরম কয়াগী ঈ-পাউশিং মীয়ামদা য়াম্না ষ্ট্রাইকিং ওইবা মওংদা পাউদম্মী। খোরিরোলগী ওইবা হিরমদা লাক্লবদি নুং-পান ফাওনা উবা তোপ-তোপ্পা মওং অমদা লাকই হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।